www.sanaleibak.in

SANALEIBAK
সনালৈবাক
PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 14,369 | 22 Carat/g : ₹ 13,535 | 1 Kg Silver : ₹ 2,11,072 | 10 Gram Silver : ₹ 2,082 | WEATHER: Sunny | Temperature 29/17°C | Sunrise: 05:12 AM | Sunset : 04:48 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 308 | IMPHAL, MONDAY, OCTOBER 19, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | নিংথৌকাবা, মেরাগী ৮নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

# কামজোংগী চছাদকী লানদা নাগা ৩ শোকখ্রে কুকি টেরোরিষ্টশিংনি চিংনবশিংনা য়ূম কয়া মৈ থাখ্রে

## এন ঐচ ২০২গী খ্বালতাবিদগী মহাদেবগী লম্বীদা এটেক চথরকখিবদা নেপালি ২ সু শোকখ্রে





ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা চছাদগী লান কনখৎলক্তুনা কুকি টেরোরিষ্টশিংনি চিংনবশিংনা চথরকখিবা এটেক্তা নাগা ৩ অশোক–অপন নংখ্রে। ঙসি অয়ুক চাউরাক্লা পুং ৫ রোম তারকপা অদুৱাইদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনি চিংনবা খুৎলায় পায়বশিংনা নাগাগী য়ূম কয়া মৈ থাদোকপীরম্লে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না কামজোং দিষ্ট্রিক্ট খক্তা নত্তনা নেসনেল হায়ৱে ২০২গী খ্বালতাবিদগী মহাদেবা ফাওবগী লম্বীদা শকখঙদবশিংনা চথরকখিবা এটেক্তা কার তোংদুনা চৎপা নেপালি ২ সু অশোক–অপন নংখ্রে। ঙরাংদগী হৌদুনা ...মখা লমায় ৫দা...

### এন ঐচ ২০২ দা টোটেল সটদাউন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী চছাদতা নাগা ফুরুপকী খুৎলায় পায়বশিংনা চথরকপা এটেক্টনি হায়বা থৌদোক অদুদা কুকি অমা শিখিবা অমদি ৪ না চাউনা অশোক–অপন নংখিবা অদুগা য়ূম কয়া মৈ থারম্বগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কুকিগী সি এস ওশিংনা নেসনেল হায়ৱে ২০২ দা টোটেল সটদাউন লাউথোকখ্রে হায়রি।

কুকিগী সি এস ওশিংগী মায়কৈদগী থাদোরকখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না লোকেল ওথোরিটিশিংনা হৌজিক হৌজিক কামজোং ...মখা লমায় ৫দা...

# চর্চ লিদর, ওঝা, মহৈরোইশিংনা ইং তপ্পগী পাউজেল শন্দোকসিঃ খেমচান্দ



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা তঙদু লৈতাদবা ফিভমদা লৈরিবা অসিদা কেথোলিক চর্চ লিদর, ওঝাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা ইং তপ্পা, নুংশি চান্নমা হিংমিন্নবগী পাউজেল তঙদু লৈতাদনা লৈরিবা মফমশিংদা শন্দোকসি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

কাঞ্চিপুরদা লৈবা কেথোলিক ভেল্লি স্কুলগী 'টুগেদর ফোর এ পিছফুল মণিপুর' হায়বা হিরমদা স্পোর্টস এন্দ লিটরেরি মিট ঙসি হৌদোকখ্রে। থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা সি এম খেমচান্দনা হায়, মহৈরোইগী পুন্সি হায়বসি মীওই অদুগী তুংগী ফাউন্দেসন অমনি। মীওই অদুগী লমচৎ শাজৎ শেম্বা অমদি মীওই অদুনা পাল্লিবা অফবা পান্দমশিং ফংনবা হোৎনবদা মহৈরোইগী পুন্সিনা চাউনা মতেং পাংই।

ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি পল্লদুনা মহাক্না হায়, চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা তঙদু লৈতাদবগী থৌদোক থোকপা অসিদা চর্চকী লুচিংবশিং, ওঝা অমদি মহৈরোই য়াওনা ইং ...মখা লমায় ৫দা...

# এম পি বিমোল কোংগ্রেস টিকেট ফংলবদি কৈশামথোংদা ভোট লেপ্লগনি লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা টিকেট পীরক্লবদি কৈশামথোং এ সিদা মীখল থেংননবা শেম শারে হায়না লোক সভাগী মেম্বর ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

১৮ ওক্টোবর ওবজার্বেন্স কম্মিটি কৈশামথোংনা শীন্দুনা ঙসি কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা কুমজা ১৯৪৮গী ওক্টোবর ১৮দা মণিপুরগী অহানবা মীয়ান্না থাগৎখিবা মীরেপ খনবগী চহী ৭৮শুবা নীংশিং থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

নীংশিং থৌরম অদুগা মরী লৈননা ওঝা বিমোল অকোইজমনা মখা তানা হায়, করিগুম্বা ...মখা লমায় ৫দা...

# রাজ্য সভাগী প্রোসিদিং মণিপুরী লোলদা হন্দোক্তুনা এম পিশিংনা য়েংবা য়ারগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ রাজ্য সভাগী প্রোসিদিংবু খুদক্তা মণিপুরী লোলদা হন্দোক্তুনা য়েংবা য়াবগী খূদোংচাবা এম পিশিংনা ফংলগনি। রাজ্য সভাগী সেক্রেটরিয়েটকী দিপ্যুটি সেক্রেটরি (সিষ্টেম) সন্দিপ পান্দেনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা মণিপুরী লোলবু সংসদ ভাশিনিদা হাপচিনখিবগা লোয়ননা রাজ্য সভাগী প্রোসিদিং মণিপুরী লোলদা খুন্দক্তা হন্দোক্তুনা এম পিশিংনা য়েংবা য়াবগী খূদোংচাবা ফংলগনি হায়না খঙহল্লকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টসু ওইবতা নত্তনা রাজ্য সভাগী মেম্বরসু ওইরিবা অধিকারিময়ুম সরদা দেবীদা থারকপা চেরোল অমদা হৌখিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ২৪দা এম পি সরদা দেবীনা রাজ্য সভাগী ...মখা লমায় ৫দা...

# লনাইগী স্পোর্টস একাদেমিশিংদা লৈঙাক্না পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনিঃ গোবিন্দাস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ শান্ন–খোৎনবগী লমদা লৈঙাক্না পায়খৎপা খোঙথাংশিং মপূং ফাবা ঙমদ্রবসু লম অসিদা তোঙান–তোঙানবা প্রাইভেট সেক্টরশিংনা হাংলিবা একাদেমিশিংদা মতেং পীনবা থৌরাং পায়খৎলগনি হায়না হোম মিনিষ্টর অমসুং য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ববিনা গ্রুপ ওফ কম্পেনিজনা খাবৈশোইদা লৈবা ববিনা হোস্পিটাল কেম্পসতা নৌনা শেমগৎ শাগৎপা ক্লাসিক টেবল টেনিস একাদেমি (সি টি টি এ) হাংদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, লমদম অসিদা শান্ন–খোৎনবগী লমদা লৈরম্বা ...মখা লমায় ৫দা...

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

ঐখোয়দা অফবা নত্রগা ফত্তবা পুন্সি পীরকপা নত্তে, পুন্সিবু ফহনবা ফহন্দবা হায়বদু ঐখোয়দা লৈরে

## চীফ সেক্রেটরি রাজিভনা রিমসতা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ চীফ সেক্রেটরি রাজিব সিংহ থাকুরনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা চৎতুনা হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট অমদি ইন্সটিট্যুস্নেল এক্টিভিটিশিং য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা চীফ সেক্রেটরিনা ...মখা লমায় ৫দা...

'ঐখোয় লৈবাক ওইনা পানসি, খুন্নাই ওইনা লীংসি হায়রবদি পোলিটিক্সকী মরুওইবা খঙসি। পোলিটিক্সতা পুক্নিং চঙসি।'
– ময়োল

## লোইরেদনা

অদু তৌনি অদা তৌনি হৌজিক্তি মথী লোইনা ফোংনরকএনে



খ্বাইদগী ইকায় খঙদবা, মচিন থীবা কাঙবুদুনি কাখিদোইসে...

## হেক্তা হায়জিনবা

### ভাসোন অমসুং ৱাশক

ভোট অসুম নকশিল্লক্লগা
অসুম অসুম হেনগৎলি
নাকোং শিংজা য়ৈবা হেনগৎলি
খবর পারুই ভাসোন
টি ভি য়েংলুই ৱাশক
ওইরোইদৌবা ভাসোন
ঙাক্লোইদৌবা ৱাশক
তারি ভোটর মখৈনা
য়েংলি ভোটর মখৈনা
য়েল্লক্কদৌবা পৈশা ঙাইদুনা
ভোট অসুম নকশিল্লক্লগা

# মীতোপকী লৈঙাক্নি, তঙদু লৈতাহনবা ঙম্লোইঃ মেঘচন্দ্র

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর গবর্ণমেন্ট মপান্দগী থাজিল্লকপা গভর্ণর, চীফ সেক্রেটরি, আই জি পিনা ওইনা লৈঙাকখ্রে, মীয়ান্না খনবা মীহুৎনা লৈঙাক্লে, গভর্ণমেন্ট অসি লৈরিঙৈ শান্তি হঞ্জিল্লক্কনি থাজদ্রে হায়না সি এল পি লিদর কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

১৬ সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১৬ / ৩১ অমসুং ১৬ / ৩২দগী মমাঙদা বি জে পি অমসুং জে দি য়ুদা শৌগৎলম্বা মীওইশিং ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসতা য়াওরক্তুনা ...মখা লমায় ৫দা...

## ঈশৈ তৌরিঙৈদা নুঙ থাজিল্লকপদগী ইরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ খাঙবোক পার্ট ৩ চেরাপুর লৈকাইগী সৈশা গ্রাউন্দদা ঙসি ফুটবোল ফাইনেল মেটচ অমা শান্নবা লোইখ্রবা মতুং ঈশৈগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা শঙ্গাইয়ুম্ফম রোমদগী শকখঙদবশিংনা নুঙ থাজিল্লকপদগী চাওনা ইরাং থোকখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না সৈশা গ্রাউন্দদা ঈশৈ চথরিঙৈ চাওরাক্লা নুমিদাংগী পুং ১১ রোম তারকপা অদুৱাইদা নুঙ থাজিল্লকপদগী ঈশৈ য়েংলম্বা নুপী অঙাং কয়া অশোক অপন য়াওখ্রে। অশোকপশিং মনাক নকপা হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

# প্রোব্লেম খূদিংমক্কী সোলুসন লৈগনি, ৱারি শান্নবা য়াদ্রিবা য়াহল্লগা হান্নগুম ফজবা মণিপুর ওইহনসিঃ স্পিকর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ চাওর–চাওরবা লান কয়া ৱারি শান্নরগা লোইশিনখি। সোলুসন লৈতবা প্রোব্লেম অমত্তা লৈতে। হৌজিক উনদুনা ৱারি শান্নবা য়াদ্রিবা অসি য়ানবা হোৎনরগা অমুক হন্না ৱারি শান্নদুনা হান্নগুম ফজবা মণিপুর অমা ওইহনসি। মদুদা নুপীশিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতনা ফোঙদোকখ্রে।



য়াইস্কুল এ সিগী ৱার্দ নম্বর ১৪ ৱার্দ কম্মিটিনা শীন্দুনা মোইরাংখোম বোকুল মখোঙদা লৈবা আর ৱাই ও কম্যুনিটি হোলদা ৱুমেন ইমপৱরমেন্টকী মতাংদা ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী থৌরমদা ...মখা লমায় ৫দা...

# এম এল এ সুশিন্দ্রোনা ম্যান্মারদা চৎতুনা ইরাবত মোমোরিয়েল পার্ক শানবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ লময়ানবা হিজম ইরাবতগী অরোইবা য়াহিপ তানখিবা তুংবো–সেদো, অপ্পর চিনৱিন দিষ্ট্রিক্ট, সাইগাং ষ্টেট, ম্যান্মারদা লৈবা লময়ানবা অসিগী মৌসোলিয়ম মেমোরিয়েল পার্ক অমা শাগনি হায়না এম এল এ লৈশাংথেম ...মখা লমায় ৫দা...

## ইপোমনা শীন্দুনা নেসনেল দেমোক্রেসি দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুরনা বৃটিস লোইলমদগী নীংতম্লবা মতুং ইহান হানবা ওইনা কন্সটিট্যুসন শেমদুনা মীখল পাঙথোক্লগা লৈবাক ঙাকপা হৌখিবা নুমিৎ 'নেসনেল দেমোক্রেসি দে'বু নীংশিংদুনা ইন্দিজিনিয়স পিপলস ওর্গনাইজেসন মণিপুর (ইপোম)না শীন্দুনা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা তলক শুবা ...মখা লমায় ৫দা...

## ওক্টোবর ১৮ ষ্টেট হোলিদে লাউথোক্কনিঃ এম পি পি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর পিপল্স পার্টি (এম পি পি) না ষ্টেট অসিদা লৈঙাক হেক পায়রকপগা ওক্টোবর ১৮ অসি ষ্টেট হোলিদে ওইনা লাউথোক্কনি হায়না এম পি পিগী স্পোকপার্সন ডা. সেরাম রোজেসনা ফোঙদোকখ্রে। পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মেদিয়া অরাম্বম করমজিৎনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা ...মখা লমায় ৫দা...

## মণিপুর কন্নবা, খুরাই কন্নবা মীয়ান্না মীকপ থোক্লগা লিংজেল মান্নবা চঙইঃ জয়কুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা ওইরিবা ফিভম অসিদা মণিপুরবু কন্নবা অমসুং খুরাইবু কন্নবা হোৎনবা মতমদা মীপুম খূদিংমক মীকপ থোক্তুনা লিংজেল মান্ননা চঙশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পিপলস দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্স (পি দি এ)গী প্রসিদেন্ট য়ুন্নাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

পি দি এ খুরাই ব্লোক কম্মিটিনা শীল্লগা খুরাইদা লৈবা পোপুলর হায় স্কুলগী গ্রাউন্দদা ঙসি পাঙথোকখিবা নীদ ওফ য়ুনিটি ফোর রেষ্টোরেসন ওফ পিছ এন্দ নোর্মেলসি ইন মণিপুর হায়না মীংথোনবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনভেন্সনদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

## অইবা অইবীশিংনা মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা অসি থাগৎতবা ঙমদেঃ জয়কিষন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ অইবা অইবীশিংনা মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা অসি থাগৎতবা ঙমদে হায়না এম এল এ জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ক্ষেত্রিময়ুম য়াইমা মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা শীন্দুনা লমদম অসিগী অইবী ক্ষেত্রিময়ুম সুবাসিনীগী চহী ৭০ শুরকপগী প্লেটিনিয়ম জুবিলি থা অহুম চুপ্পা পাঙথোকখিবগী অনীশুবা থৌরমগী মনুং চন্না লিটরেরি ফেষ্টিভেলগা লোয়ননা ক্ষেত্রিময়ুম সুবাসিনি ...মখা লমায় ৫দা...

## ওক্টোবর ২৩গী নুমিদাংদা হরাও কুম্মৈ লেপ্পিয়ু কংলা শেম্পুং য়ৈরসিঃ হাওমি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী ঙসি ফাওবা ইরমদম অসিগী পীক্লিবা অঙাংদগী হৌনা মশিং থিঙমদ্রবা নুপা নুপী, অহল কয়া হাৎখ্রে, কয়া অমনা থিবা খঙদনা লৈরি। ময়ুম মকৈ মৈনা তুম্না থাদোকপিখ্রবা লৈফম লৈত্রবা মীওই কয়া অমনা রিলিফ কেম্পতা অৱাবা খাঙদুনা লৈরি হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট শাসপমচা যদুমিননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা ...মখা লমায় ৫দা...

# লোৎশিল্লনুদাঃ অমিত সাহনা শীন্নরক্লে হায়বা থবক্তু হায়দোক্লোদনা

*নেপ্রম কৃষ্ণমোহোন*

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ঃ য়েক্লববু পুন্নোই লোইশিন্নবা হোৎনবদা ঙমদ্রবসু মঙোন্দগী (য়েক্লবদগী) য়ৈখায় থীনগায় লাক্তনবা মতম পূম্বদা খুকউ শেন্দুনা লৈগদবনি। ৱাফম অসি হঞ্জবম গোকুল (পিশক) শর্ম্মনা মণিপুরীদা হন্দোকপা কুমজা ২০১৩দা অহানবা ফোঙখিবা 'মপূং ফারবা চানক্য নীতি অমসুং সুত্রশিং' হায়না মীংথোনবা লাইরিক্কী ১৫শুবা অধ্যায়দা চানক্যনা হায়রম্বনি হায়না ময়েক শেংনা তাক্লি। হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা য়েক্লবা কনানো খঙনা লান্থেংনরি অদুবু লৈঙাক্লা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী পুন্সি অমদি লনথুম ঙাক–শেনবা ঙমদ্রি লোয়ননা মখোয়দগী য়ৈখায়–থীনগায়বা মখা তানা লাক্তনবা হোৎনবসু ঙমদ্রি, খুকউ শেন্দুনদি লৈবা মাল্লি তৌইগুম্বসুং মশক থোক্লদি উবা ফংদ্রি। অদুননি লোৎশিনবিরনু লাউথোকখিবা হায়দোকখিবা অমত্তা মায় পাক্লা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা শিন্নরক্লে হায়বা থবক্তু হায়দোকপীরো হায়নরক্লিবসি।

**সনালৈবাক্কী মপাউ**

টেরোরিষ্ট অমসুং টেরোরিজমগা মরী লৈনদে, ফুরুপ কাঙলুপকী মরক্তা মুক্লবনি হায়না লৌরবসু লান অসিদি চহী অহুম থা তরেৎতি হেল্লক্লে। অসুক কুইরবা অসি ফাওবা ৱারোইশিন পুরক্লবা লম্বী য়াৎপা ঙমদ্রি। চিনদা লাওবগা তৌথোরকপগা কয়াম খেন্নবগে হায়বদু নোংমা নোংমগী ময়েক শেংলক্লে। থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রি। য়েলহৌ ফুরুপকী মীয়ামদা, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংদা খুদোম্বী থিন্দুনা থৈদোক থৈজিন তৌদুনা লৈরি। লান হৌরকপা নুমিৎ ২৬কী মতুং কুমজা ২০২৩গী মে ২৯দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা ইম্ফালদা থুংলখি। নোংহেক ঙানবগা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা চত্তুনা সি এস ওশিং, পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং, নুপী লুপকী লুচিংবশিং উন্নদুনা কাং লুপকী ইরাং অসি লোয়শিন্নবা লম্বী পুথোক্লবা খন্নখি। কুকি–মিজো–মার–জৌমী ত্রাইব অমদি আই টি এল এফনা দিমান্দ ১১ য়াওবা চেরোল পীশিনখি। মদুদা মণিপুরদা খুদক্তগী প্রসিদেন্ট রুল থম্মু, এন বিরেন ...মখা লমায় ৫দা...

EDUCCON 2.0
POWERED BY UNACCO GROUP OF INSTITUTES
EDUCATION BEYOND BOUNDARIES
14th & 15th November, 2026
EDUCCON
Powered by UNACCO Group Of Institutes
For More Information:
+91 - 90773 52953
www.educcon.in

EVENT HIGHLIGHTS

01 PAINTING COMPETITION
Category 1: Class III to V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
(Theme: The theme will be announced on the spot)

02 MULTICULTURAL GROUP DANCE COMPETITION
Category 1: Class I to Class V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
(Theme: My culture, My identity)

03 DEBATE COMPETITION
Category 1: Class IX to XII
(Topic : AI is a Greater Threat to Humanity Than an Opportunity)

04 STORY WRITING COMPETITION
Category 1: Class VI to VIII
Category 2: Class IX to XII
(Theme: The theme will be announced on the spot)

05 OPEN REELS COMPETITION
All Age Group (Education Beyond Boundaries)

06 WRITTEN QUIZ COMPETITION
Category 1: Class III to V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII

07 SCIENCE / INNOVATION EXHIBITION
Eligible Classes: Class VI to XII (Theme : SCIENCE FOR A BETTER FUTURE)
(Innovation • Discovery • Sustainability • Human Progress)

08 MISS TEEN EDUCCON
Age Group: 13 to 18 years
(Theme: Beauty With Purpose)




09 MANIPURI MODERN SONG COMPETITION
Category 1: Pre Nur to KG (Rhymes only in group)
Category 2: Class I to V
Category 3: Class VI to VIII
Category 4: Class IX to XII

REGISTRATION DETAILS
Rs. 100/- per participant for Event
Rs. 500/- per participant for Miss Teen
Rs. 100/- per head for group with minimum of 5 members in a group
FORM SUBMISSION CAN BE DONE OFFLINE AT UNACCO SCHOOL KHONGMAN, UNACCO SCHOOL MEITRAM, UNACCO SCHOOL CHANUNG, UNACCO SCHOOL CHANURA

SCAN OR VISIT WWW.EDUCCON.IN FOR ONLINE REGISTRATION

LAST DATE OF FORM SUBMISSION 25TH OCTOBER 2026.

[illegible]



[illegible]




[illegible]






[illegible]

## ঙসিগী রাষি ফল (১৯–১০–২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)**

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** চেকশিন্না হোৎনজগনি, শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। লম চৎপদি চেকশিলগনি। মকোক ওইবশিংনা চানবীরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** ইশানা হৈশিংনা থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। মীগী মতেং পাঙলুদবা ফগনি, শেল চৎলগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেৎনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – চরাংনগনি।

**মিথুনঃ** শাওদবা তপথবনা হেন্না ফগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। শোক্তনবা হোৎনজগনি। অরাপ্পা চৎপা হৈশিংগনি। শান্তি লৈরোই।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**কর্কটঃ** অচুম্বদা অরানবা তাহনবা, তোখাইতাবা ওইরগনি। ঐগী মীনা মীগী মীচংদা লৈখিগনি। শেল ফংবগা চৎপা তৌরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**সিংহঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, থবক্তা মায়পাকচবা, শেল ফংবা, ঐগী মী মশিং হেনগৎপা, চাংয়েংনবদা মায়পাকচবা। শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কন্যাঃ** থৌরমদি পাঙথোক্লগনি। মিংচৎ হেনগৎপা, লম্নানবশিংনা চানবীবা, মমল য়াম্বা পোৎ লৈবা য়াবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**তুলাঃ** ৱারৌবা, মুক্লবা, খৎননিংবা ওইরগনি। শেল চৎপা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা থেংনরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**বৃশ্চিকঃ** ৱাখলদি চরাংনগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা চাওখৎপা, ফগৎপা লুচিংবশিংনা চানবীবা, চৎথোক চৎশিন্দা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– লৌশিং হেনগৎলগনি।

**ধনুঃ** থৌরমদি মায় পাক্লগনি। শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, মিংচৎ হেনগৎপা। শীংথাবীবদা য়াওবা ওইরগনি। লম্লানবশিংনদি চানবীরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চাওখৎলগনি।

**মকরঃ** পুক্নীং হকচাং ৱাখল ফগৎপা, হোৎনজমল কান্নবা। চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা অরাপ্পা চৎপা কান্নবা, শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**কুম্ভঃ** ৱাখল মুন্না খল্লগা থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎজগনি। শেল চৎপা য়েৎপিনবা য়াম্বা ওইরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখল চঙলোই।

**মীনঃ** থবক্তি মায় পাক্লগনি। হোৎনজমল কান্নবা, পোৎ লৈবা য়াবা। চাংয়েংনবদা মায়পাকচবা, চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা থেংনবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Evil Sana Suduku-1112**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | 7 | | | 9 | 5 |
| | 5 | 7 | | | 8 | | 4 | |
| | | 2 | | 6 | 4 | | 7 | |
| | | 4 | 8 | | 9 | | | 6 |
| 8 | 2 | | 7 | | | 9 | | |
| | 7 | 9 | | 4 | | 5 | | |
| 4 | | | 2 | | 7 | | 5 | |
| 7 | | | 4 | 5 | | 2 | | 1 |
| 2 | | | | 9 | | 4 | | 7 |

সনা–সুদোকু–১১১২গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

# খোঙজংনা মরম ওইরগা দিল্লিদা, লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা অকায়বা পীদুনা নোংমদা লুপা ক্রোর ৪০০ মাঙ–তাক্লি





ন্যু দেল্লি, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিংনা মরম ওইরগা ন্যু দিল্লিদা নোংমতা কাংদনা মীয়াম্না চংশিল্লিবা খোঙজং অসিনা লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা চাওনা অপনবা পীদুনা শেনমিৎলোনদা য়াম্না চাওনা অকায়বা চৈথেং পীরে। নোংমগী ওইনা খোঙজং চংশিনবদা ন্যু দিল্লিদা লল্লোন ইতিক তৌরিবা কম্যুনিটিশিংগী ওইনা লুপা ক্রোর ৪০০ রোম মাঙ তাক্লি হায়না বি জে পিগী এম পি ওইবতা নৎতনা কনফিদরেসন ওফ ওল ইন্দিয়া ট্রেদরস (সি এ আই টি)গী সেক্রেটরি জেনরেল প্রবীন খন্দেলৱালনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী ন্যুজ এজেন্সি অমগা অখন্নবা উন্নবদা বি জে পিগী এম পি প্রবিন্দ খন্দেলৱালনা হায়, মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না নোংমতা কাংদনা ন্যু দিল্লিদা লৈঙাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া দিমান্দ তৌরদুনা লেপ্তুনা খোঙজং চংশিনবগী চাং হেনগৎলক্লি। করিগুম্বা মীয়াম্না চংশিল্লিবা খোঙজং অসি লেপ্পা লৈতনা নুমিৎ ১০নি চুপ্পা চংশিল্লবদি চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৪,০০০ রোম মাঙবা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ।

ন্যু দিল্লিদা লল্লোন ইতিক তৌরিবা কম্যুনিটিশিংদা নোংমগী ওইনা চাওরাক্লা লুপাক্রোর ২,২০০ টর্নওভর তৌদুনা লৈবাক অসিগী কেপিটেল ন্যু দিল্লিগী কম্মর্সিয়েল ইকোসিস্টেম হব অমা ওইবা ঙল্লিবনি। লৈবাক অসিগী কেপিটেল ন্যু দিল্লিদা লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা সুন্নতগী চাদা ১০গী চাং খক্তং অকায়বা পীরবসু নোংমদা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ২২০গী ট্রাঞ্জেক্সন য়ৌনা মাঙ তাক্কনি।

অসুন্না অসুম লেপ্পা লৈতনা ন্যু দিল্লিদা মীয়াম্না খোঙজং চংশিল্লবদি লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা চাওনা অকায়বা পীদুনা লৈবাক অসিগী শেনমিৎলোনদা য়াম্না চাওনা চৈথেং মায়োক্লগনি হায়নসু প্রবিন্দ খন্দেলৱালনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯ (১) (এ)গী মতুং ইন্না লৈবাক মীয়াম্না নিংতম্না মশাগী ৱাফম ফোঙদোকচবা য়াবগী অয়াবা পী। অসিদা নৎতনা আর্টিকল ১৯ (১) (বি)গী মখাদা লৈবাক মীয়াম্না হিংশা য়াওদনা খোঙজং চংশিনবগী অয়াবসু পীরিবনি অদুবু মীয়াম্না কাওরোইদবদি আর্টিকল ১৯ (১) (জি)গী মখাদা লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনা নিংতম্না অথিংবা য়াওদনা লল্লোন ইতিক তৌবা য়ানবা ঙাক শেন্দুনা থল্লিবনি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না কাওরোইদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নোংমা নীনিগী মমাঙদা সি জে পিগী অভিজিদ দিপকেনা মীয়াম্না চংশিল্লিবা খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা ন্যু দিল্লিদা লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা অকায়বা করিসু পীবা লৈতে। লৈঙাক্না ন্যু দিল্লিদা পাক্তক্লনা সটদাউন লাউথোক্তুনা মফম অমদগী মফম অমদা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা পীবা অসিনা মরম ওইরগা লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা অকায়বা পীবনি হায়না লৈঙাক্কী মথক্তা মরাল শীরকখিবসু লৈখ্রবনি।

# ‘অকিবা য়াওদনা লিগেলগীওইবা খোঙজং লেপ্তুনা চংশিনখিগনি’



ন্যু দেল্লি, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি):
দেল্লি পুলিসনা ফাদুনা কষ্টদিদা থমখিবা অদু অরানবা থৌওং অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা কোক্রোস জনতা পার্টি (সি জে পি)গী ফাউন্দর অভিজিত দিপকেনা অকিবা অমত্তা য়াওদনা লিগেলগী ওইবা খোঙজং মখা তানা লেপ্তুনা চংশিনখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী ন্যুজ এজেন্সি অমদা অভিজিত দিপকেনা হায়, সি জে পিগী লিদর শৌরব দাস অমসুং অসুতোস রক্ষা লাক্লবা মতুং সি জে পিগী মায়কৈদগী খোঙজং মায়পাক্লা মখা তানা চংশিন্নবা মথৌতাবা খন্ন–নৈনবগী থবক হৌরগনি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সি জে পিগী লুচিংবশিংবু আইন কায়না ফাদুনা কষ্টদিদা ফাজিন্দুনা থম্বগী থৌওং অসিনা তাকপদি সি জে পিবু অতন্নবা কিহন খঙহন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা খোঙজং চংশিনদনবা থৌওং চথুরে হায়বা তাকপনি।

অদুবু মায়কৈ কয়াদগী কিহন খঙহনবগী থবক লেপ্তুনা চথুরক্লবসু সি জে পিনা কৈদৌঙৈদা কোক নোনবগী থবক তৌবা লৈরোই। সি জে পিনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি নুমিৎ খরনিখক্তগী ওইবা খোঙজং নৎতে। লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লৈঙাক্না চথুরিবা অরানবা থৌওং অসিবু চুমথোক্লবগীদমক মতম শাংনা চংশিনগদবা খোঙজং অমনি।

সি জে পিগী মায়কৈদগীসু মায় পাক্লা খোঙজং চংশিন্নবা শেম শাবা পূন্নমক লোইশিলক্লে। পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা শৌরব দাস অমসুং অসুতোস রক্ষাবু থাদোরক্লবগীদমক মথৌতাবা লিগেলগী প্রোসেস চথুনবা এদভোকেটকা লেপ্তুনা ৱা তান্নবগী থবক চথুরি হায়না পোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা থা অসিগী ১০দা ন্যু দিল্লিদা ‘লেহরাদো তিরঙ্গা’ হায়না মিংথোন্দুনা খোঙজং চংশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরিঙৈ সি জে পিগী ফাউন্দর অভিজিত দিপকে দেল্লি পুলিসনা ফারুরবা মতুং পিস বোন্দ খুৎয়েক পীনদুনা অভিজিত দিপকে বেলদা থোক্লকখিবনি।

সি জে পিগী লিগেল এফিয়ারসকী থৌ পুরিবা রত্না সিংহনা অভিজিত দিপকেবু দেল্লি পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখিবগী থৌওং অদু লোগী ৱাংমদা চথবা থৌওং অমনি। মীয়ামদা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল হায়নবা খঙহনবগীদমক অভিজিত দিপকেবু দেল্লি পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখিবা অসি করি করম্বা ক্রাইম চথখিবগী মরালদা ফাবনো হায়নসু সোসিয়েল মেদিয়াগী খুৎথাংদা য়ানিং দবা ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে।

# ইথানোলদা য়ানশিন্নবগীদমক লৈবাক মীয়ামগী মথৌ তাবা চিনি থৈদোক্তুনা শিজিন্নবা লৈতে হায়না লৈঙাক্না ফোঙদোরক্লি







ন্যু দেল্লি, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিদা হরাও কুম্মৈগী সিজন নকশিল্লকপগা ইরোইননা মীয়াম্না পান্না চান্নরিবা চিনিগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক অসিদা ইথানোলদা য়ানশিন্নবগীদমক লৈবাক মীয়ামগী মথৌতাবা চিনিবু থৈদোক্তুনা শিজিন্নবা লৈতে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ইন্দিয়াল ওইল কোর্পোরেসন, ভারত পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন অমদি হিন্দুষ্টান পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন য়াওনা ওইল মার্কেটিং কম্পেনিশিংগী ওইনা খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা টেন্দর নোটিশ অমদা লাক্লিবা নবেম্বর থাদগী হৌদুনা ইথানোলদা য়ানশিন্নবগীদমক চুদগী শুমদোক্লবা চুহিংনচিংবা চুগা মরী লৈনবা পোথোক অমত্তা শিজিন্নদনবা খঙহনখ্রে। অদুবু ওইল মার্কেটিং কম্পেনিশিংনা সি–হেবি সুগরকেন মোলাসেস শিজিন্নবদি য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

লৈবাক অসিদা চথুরিবা ইথানোল শেম শাবগী থবক্তি চাদা ২০ মখা তানা চথখিগনি। ইথানোল শেম শাবগী থবক্তা মথৌতাবা ইনগ্রিদেনশিং ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা পোথোকশিংদগী শিজিন্নগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাক্লিবা নবেম্বর থাদগী হৌদুনা ইথানোল শেম শাবগী থবক্তা চু শিজিন্নদনবা নৌনা লৌখিবা ৱারেপ অসিবু লৈবাক অসিগী ইন্দষ্ট্রিজ এক্সপার্টশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এল নিনোনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা থাফম থোকপা নোংতাদবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ফুদ সেক্যুরিটিদা চাওনা চৈথেং পীরক্লিবা অসিবু মীৎয়েং চংদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌখৎলকপা অখন্নবা খোঙথাং অমনি হায়না ইন্দষ্ট্রিজ এক্সপার্টশিংনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মসিদা নৎতনা ওল ইন্দিয়া দিষ্টিলর এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খোঙথাং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি ইথানোল সপ্লায়র ২০২৬–২০২৭গী টেন্দর অদু মায় পাক্না চংশিন্নবা ৭–১০ থোক্লা খন্নরবা মতুং লৌবা ৱারেপ ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এ আই দি এগী প্রসিদেন্ট বিজেন্দ্র সিংহনা গেহুদগী শুংবা ইথানোলগী মমল কাংলোন অমগী মখাদা রিগুলেট তৌদুনা থম্বগা লোয়ননা দিসটিলেসনগী মথৌতাবা ইনভেষ্টমেন্ট কায়হন্দনা থন্নবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিলক্লি।

Crossword # 1171



Across
1. Look happy
6. Deferred savings accts.
10. Precious stones
14. Baseball great Hank ____
15. Carson's successor
16. Declare openly
17. Intelligent
18. Enact laws
20. ____ Day O'Connor
22. Peddle
23. Female deer
24. Fire's remnant
26. Watchful
28. Hot cereal
32. Spot
34. Site
35. Haul
37. The Grim ____
41. Potter's oven
42. School division
44. Ramble
45. Mouth liquid
47. Friend
48. Want
49. Shade of green
51. Conductor's title
53. Cloudless
56. Make right
58. Deli meat
59. Furthermore
61. Expand
66. Moving staircase
69. ____ energy
70. Soothsayer
71. Fiddling emperor
72. Puccini work
73. "Star ____"
74. Actress ____ Barrymore
75. Robins' homes

Down
1. Fresh talk
2. Papa's partner
3. OPEC member
4. British nobleman
5. Main course
6. Not well
7. ____ Witherspoon of "Walk the Line"
8. Enrages
9. Dirt
10. Guy's partner
11. Escape
12. Engine
13. ____ sixteen
19. Writing tablet
21. Dental alloy
25. Smudge
27. Gains knowledge
28. Acorn droppers
29. Opera song
30. Narrate
31. Capital of the Philippines
33. Dublin's country
36. Space between teeth
38. Verse writer
39. Continually
40. Modernize
43. Noblewoman
46. Kind of infection
50. ____ Bunny
52. Light bulb inventor
53. Trunk
54. Sci-fi weapon
55. Host
57. Roger ____ (007 actor)
60. Solid ground
62. Bound
63. Pub brews
64. Small pastry
65. Epochs
67. Noah's craft
68. Aisle

পাউখুম লমায় ৭ তা ...

# আর্মি ওফিসার অমগী নুপীনা মরুওইবা ইনফোর্মেসন কয়া চাইনাদা পীথোক্লক্লে



ন্যু দেল্লি, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পোষ্টিং তাদুনা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটিগী থৌদাং লৌরিবা আর্মি ওফিসার অমগী নুপী অমনা মরুওইবা সেক্যুরিটিগী ওইবা ইনফোমেসন কয়া চাইনাগী ইন্টিলিজেন্টসতা পীথোক্লম্বগী মরালদা পুলিসনা এফ আই আর লৌখৎখ্রে।

পুলিসনা এফ আই আর লৌখৎখ্রে সেনিয়ার আর্মি ওফিসারগী নুপী অদু তেলঙ্গনাদগীনি হৌজিক হৌজিকনা জম্মুগী গান্ধীনগর পুলিস ষ্টেসননা কোনবা জুরিসদিক্সনদা লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি।

চাইনাগী ইন্টিলিজেন্টসনা একাদমিসিয়ান শাদুনা নুপী অদুদগী সেক্যুরিটিগী মরুওইবা ইনফোর্মেসন কয়া লৌথোক্লম্বনি হায়রি।





SL/KK/10to 25

# ইমুং অমগী মীওই ৫ শিদুনা লৈরম্লে

ন্যু দেল্লি, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি):
হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা গ্রেটর নোইদাগী নাগক্লা শ্রী পরম ভিলেজদা লৈবা য়ুম অমদা পীক্লিবা অঙাং ৩ য়াওনা ইমুং অমগী মীওই ৫ শিদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসকী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবা ইমুং অদুগী মীওই ৫ অদু ফুদ পোইজনিংগী মরম ওইরগা লৈখিদবা ওইগনি হায়না চিংনবা লৈরবসু ফুদ সেফটি ওফিসারগী মায়কৈদগী মীশি অদু অতম্লনা পোইজন থকপদগী লৈখিদবা ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা মীওই ৫ অদুদি মহেশ (৩৭), মহাক্কী লোয়নবী ললিতা (৩৫), অমদি চহী ১১ রোমগী ওইগদবা নুপামচা অনি অমসুং চহী ৭ রোমতা ঙাইরিবী নুপী মচা অমনি হায়রি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউজী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই ৫ অদুগী মনুংদা ললিতা নৎতনা লেমহৌরিবা মখোয় ৪ হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা নুদলস চাবা থেংনখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মীশি অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চাবা ৱাফম অমত্তা খঙবা লৈত্রি হায়না নোইদা পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা থৌদোক অসিবু হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবা ফুদ সেফটি ওফিসার ও পি সিংহনা ফোঙদোকখিবদা মীশি অসি ফুদ পোইজ নিংনা মরম ওইগনি হায়বা থাজবা লৈতে। অতম্লনা পোইজন থকপদগী ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। থৌদোক থোকপমদা এক্সপয়ার ওইরবা নৎত্রগা চিংনবা মখল অমত্তগী চান থক্লবগী পোৎলম ফংবা লৈতে হায়নসু মহাক্না মখা তারক্লি।

সনা–সুদোকু–১১১২ সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 8 | 1 | 7 | 2 | 6 | 9 | 5 |
| 6 | 5 | 7 | 9 | 3 | 8 | 1 | 4 | 2 |
| 9 | 1 | 2 | 5 | 6 | 4 | 8 | 7 | 3 |
| 5 | 3 | 4 | 8 | 2 | 9 | 7 | 1 | 6 |
| 8 | 2 | 6 | 7 | 1 | 5 | 9 | 3 | 4 |
| 1 | 7 | 9 | 6 | 4 | 3 | 5 | 2 | 8 |
| 4 | 6 | 1 | 2 | 8 | 7 | 3 | 5 | 9 |
| 7 | 9 | 3 | 4 | 5 | 6 | 2 | 8 | 1 |
| 2 | 8 | 5 | 3 | 9 | 1 | 4 | 6 | 7 |

# সি ই সি জ্ঞানেস কুমার কনবা ঙম্লরোই এস আই আর খুদক্তগী লেপকদবনি: কোংগ্রেস



ন্যু দেল্লি, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি):
স্পিসিয়েল সম্মরি রিভিজন (এস আই আর) গা মরী লৈননা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা ভোটরশিংগী মিং ইলেক্টোরেল রোলগী খুৎথাংদা খঙবা য়াবগী খুদোঙচাবা পীরগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখিবা অদু লৈবাক মীয়াম্না লম্বী সোরোক্তা থোক্তুনা ই সি আইগী মথক্তা চংশিনখিবা খোঙজং অদুননি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার (সি ই সি) জ্ঞানেস কুমারবু কনাগুম্বা অমত্তনা কনবা ঙম্লরোই হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা জয়রাম রমেশনা ফোঙদোরক্লি।

জয়রাম রমেশনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱাঙাংদা হৌখিবা ২০১৮দগী হৌনা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী পোলিটিকেল পার্টিশিংদা ভোটরশিং খঙবা য়াবগী মথৌতাবা ইলেক্টোরেল রোল অদু পীবিনবা ই সি আইদা তকশিন্দুনা লাক্লবসু চহী ৮ রোম অসি লৈবাক অসিদা ভোট হুরানবগী থৌওং লেপ্তুনা চথনবা ই সি আইনা পীদনা লৈরকখি। অদুবু লৈবাক মীয়াম্না লম্বী লমজাওদা থোরক্তুনা ভোট হুরানবগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা খোল্লাও কয়া লাউদুনা খোঙজং চংশিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা হৌখিবা থা অসিগী ১৫দা ই সি আইনা ভোটরশিংগী মিং নৌনা খঙবা য়াবগী ইলেক্টোরেল রোল মরীলৈনবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা পীরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

লৈবাক অসিদা ভোট হুরানবগী থৌওং মীয়াম্না খঙবা খুদিংগী তাঙ্কক কয়াদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অনৌবা কাংলোন কয়া শেমদুনা শাশিন্নবা ভোটরশিং হাপচিনবা য়ানবগীদমক মীয়ামনা ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওরিবা ভোটরশিংগী মিং য়েংবা য়াবগী খুদোঙচাবা অদু পীদনা লাকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগী ইনষ্ট্রকসনগী মতুং ইন্না থবক তৌরিবা ই সি আইগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমার কনাগুম্বা অমত্তনা ঙসিদি কনবা ঙম্লরোই। সি ই সিগী থৌওং অসিনা মরম ওইরগা ই সি আইদা মীয়াম্না থম্লম্বা থাজবা অদু মাঙখ্রে। লৈবাক অসিদা চথুরিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন খুদক্তগী লেপকদবনি হায়নসু জয়রাম রমেশনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# নবেম্বর ১দগী সি আই এস এফকী থবক থৌওংদা চাওনা হোংদোক হোংজিন তৌগদৌরি

ন্যু দেল্লি, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিগী মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ষ্ট্রেটেজিক ইষ্টাব্লিসমেন্ট কয়া ঙাক শেনবগী থবক তৌরিবা সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিটি ফোর্স (সি আই এস এফ) কী এদমিনিষ্ট্রেটিব অমসুং ওপরেসনেল ষ্ট্রকচর লাক্লিবা নবেম্বর ১দগী হৌদুনা চাওনা হোংদোক হোংজিন তৌগদৌরি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারসকী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা পৱার, ষ্টীল, পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস, পোর্ট, গভর্ণমেন্ট বিল্ডিং, ম্যুজিয়ম, মোনুমেন্ট অমদি মাস রেপিদ ট্রান্সিদ সিষ্টেম য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইন্দষ্ট্রিজ অমদি ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংবু ঙাক শেনবগী থবক তৌরিবা সি আই এস এফকী থবক থৌওং কয়াদা য়াম্না চাওনা হোংদোক হোংজিন তৌরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নবেম্বর ১দগী হৌদুনা সি আই এস এফকী থবক থৌওং কয়া হোংদোক হোংজিন তৌগদৌরিবা অসিগী মতাংদা ফোর্স অসিগী মায়কৈদগী, নেসনেল কেপিটেল রিজন সেক্টরবু গভর্ণমেন্ট বিল্ডিং ম্যুজিয়ম এন্দ মোনুমেন্ট এন্দ মাস রেপিদ ট্রান্সিট সিষ্টেম সেক্টর হায়না রিওর্গনাইজ তৌরগনি। ন্যু দিল্লিগী নোর্থ সেক্টর অমদি কোলকটাগী নোর্থ ইষ্টর্ন সেক্টর–২বু পৱার ১ এন্দ পৱার ২ সেক্টর হায়না রিষ্ট্রকচর তৌরগনি।

রাঞ্চিদা লৈবা ইষ্টর্ন সেক্টরবু কোল সেক্টর, ভিলাইদা লৈবা সেন্ট্রেল সেক্টরবু ষ্টীল সেক্টর হায়না ওন্থোকপগা লোয়ননা চপ মান্নবা গুৱাহাতিদা লৈবা নোর্থ ইষ্টর্ন সেক্টরবু পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস সেক্টর, মুম্বাইগী ৱেষ্টর্ন সেক্টর অমসুং চেন্নাইগী সাউথ সেক্টরবু ৱেষ্ট কোস পোর্ট সেক্টর অমসুং ইষ্ট কোস পোর্ট সেক্টর হায়না নৌনা ট্রান্সফোর্ম তৌরগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা সি আই এস এফকী মায়কৈদগী ফোর্স অসিগী থবক থৌওংশিংদা চাওনা হোংদোক হোংজিন তৌগদৌরিবা অসি সেক্যুরিটি ওপরেসনেলগী থৌদাংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা চপ মান্নবা কাংলোন অমগী মখাদা অমগা অমগা ই–পাউ ফাওনদুনা সেক্যুরিটি কোওর্দিনেস লৈনা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ষ্ট্রেটেজিক ইষ্টাব্লিসমেন্ট কয়াবু হেন্না কনবা মওংদা ঙাক শেনবগী থবক পায়খৎনবনি হায়না সি আই এস এফকী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# নেৎশিন্নবদা মীওই ১৯ লৈখিদবগী থৌদোক এস আই টি শেমদুনা থিজিল্লগনি: সুবেন্দু





কোলকটা, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোর্থ কোলকটাদা পাঙথোকপা দুর্গা পুজাগী থৌরমদা মীওই কয়া নেৎশিন্নবদগী মীওই ১৯ লৈখিদবা অমসুং মীওই কয়া অমনা অশোক অপন নংখিবগী থৌদোক অদু স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা নৌনা শেমদুনা থৌদোক অদু মতৌ করন্না থোকখিবনো হায়বা অদু থিজিল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর সুবেন্দু অধিকারিনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবদা চীফ মিনিষ্টর সুবেন্দু অধিকারিনা হায়, নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা মীওই কয়া লৈখিদবগী থৌদোক অদু থিজিন্নবগীদমক অখন্নবা এস আই টি অমা শেমন্নবগীদমক ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্কী লৈরিবা চীফ সেক্রেটিগী মায়কৈদগী কলকটা হায় কোর্টতা অয়াবা পীবিনবা চেরোল পীশিল্লগনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মীওই ৬ ফাদুনা বি এন এসকী প্রোভিজনগী মখাদা হৌজিক হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা থমদুনা ৱাহং পাউহং চথুরি। নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবা মীওই অনি হৌজিক হৌজিক আই সি য়ুদা থমদুনা মখা তানা অনা লায়েংগী থবক চথুরি। অদুগা মীওই ২৩না অনা লায়েং চথুরবা মতুং থোইদোক্লা নুংশা থিনিংঙাই ওইদবদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওই ১৯গী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্না লুপা লাক্ষ ২৫গী শেনফম কম্পেন্সেসন ওইনা পীরগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থবক অমমমসু পীরগনি হায়না খঙহনখ্রে। অসিদা নৎতনা স্পিসিয়েল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ) খুদক্তা শেমদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাদুনা লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীনবসু ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্না থবক লৌখৎপা হৌখ্রে।

# ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ অমুক হাংদোক্লবা থাখিবা প্রোপোজেল য়ান্নবা ইরাননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা আপিল তৌখ্রে




দুবাই, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি): ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ অদু নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা অমুক হাংদোক্লবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ইরাননা হৌদোকখিবা ৱাফম অদু হৌজিকসু লেংদনা লৈরি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা ইরানগী পাউগী এজেন্সিশিংদা ফোরেন মিনিষ্টর অব্বাস অরাঘচিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরিম সিজফয়ার অমা কায়খিবা মতুং সেপ্টেম্বর থাখায়দা ইরাননা মখোয়গী ৱাফম অদু থমখিবনি। য়ু এসতগী পাউখুম অমা ফংলে হায়না ইরাননা কোন্না হায়খি, অদুবু ইরানগী সেক্যুরিটি চীফনা ষ্ট্রেট অদু অমুক হাংদোক্লবগী থমখিবা কন্দিসন ৭ অদু ৱাসিংটননা য়াদবা মরমদগী নেগোসিয়েসনশিং লেপখ্রে হায়না হৌখিবা চয়োলদা হায়খি।

ঐখোয়গী ফিভম ময়েক শেংই অমসুং য়ু এসতা থমখিবা নুমিৎ ৭নিগী ৱাফম অদুদা য়ূমফম ওই হায়না ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কোওপরেসনগী মীফম অমগীদমক বাঘদাদতা লৈরিঙৈদা অরাঘচিনা হায়খি।

ইরাননা থমখিবা ফিভমশিং অদুগী মনুংদা ইরানগী হিথাংফমশিংদা থল্লিবা য়ু এসকী ব্লোকেদ লৌথোকপা, ইরানগী ওইল এক্সপোর্টশিংদা থল্লিবা য়ু এসকী সেঙ্কসন্স লৌথোকপগা লোয়ননা রিজনেল ফ্রন্ট পূন্নমক্তা খূৎ থোক্লবা লোইশিনবা য়াওরি।

করিগুম্বা ৱাসিংটননা টেহরানগী থল্লিবা ফিভমশিং অদু য়ারবদি ষ্ট্রেট অদু নুমিৎ ৬নিগী মনুংদা অমুক হাংদোকপা য়াগনি, মথংগী নুমিৎতা ৱারী মখা চত্থগনি হায়না অরাঘচিনা হায়খি।

য়ানদবা অদুগী মরুওইবা ৱাফম অমদি ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী মতাংদা হেক হৌবদগী হৌনা ৱাসিংটননা সিখাং খাংদুনা লৈরক্লিবা অদুনি।

য়ু এসকী দিমান্দশিং পেলহন্নবা অমসুং লৈবাকশিং অসিগী থা ৮ শুবা লান লোইশিন্নবা ইরানগী য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট কেপাসিটি ৱাহন্থোকলৈনা ইরাননা শোয়দনমক হন্থহনগদবনি হায়না য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্ট জে দি ভেন্সনা মসিগী মমাঙদা থা অসিদা হায়খি।

লানগী মমাঙদা ওইল অমসুং লিক্যুফাইদ নেচরেল গ্যাস (এল এন জি)গী গ্লোবেল ট্রেদকী ৫ থোকপগী ১ পুরমখিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ অমুক হন্না হাংদোকপদা অমসুং ঈশিং লম্বী অদুদা সেক্যুরিটি অমুক হঞ্জিনহনবদা নেগোসিয়েসনশিংনা অহানবগী অহেনবা মীৎয়েং থমগদবনি হায়না ইরাননা হায়রি।

# পাকিস্তাননা মখোয়গী এয়ারস্পেসতা ইন্দিয়ান এয়ারক্রাফতা থল্লম্বা অথিংবা নবেম্বর ২৪ ফাওবা শাংদোকখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি): ইন্দিয়ান-রেজিষ্টার এয়ারক্রাফ অমসুং ইন্দিয়ান এয়ারলাইনশিংনা মপু ওইবা, নৎত্রগা ওপরেট তৌবা নৎত্রগা লিজ তৌবা প্লেনশিংদা পাকিস্তানগী এয়ারস্পেসতা পাকিস্তাননা অথিংবা থল্লম্বা অদু নবেম্বর ১৪ ফাওবা অতোপ্পা থা অমগা অমুক শাংদোকখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী এয়ারপোর্টস ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে।




এপ্রিল ২৩, ২০২৫তা অহানবা থমখিবা অথিংবা অদু য়ূমথংনবা লৈবাক অনি অদুগী মরক্তা লৈনবা মরী ফৎলকখিদবা মতুংদগী মতম মতমগী ওইনা শাংদোকখি। পাকিস্তান এয়ারপোর্টস ওথোরিটি (পি এ এ)না অথিংবা অদু মিলিটরি ফ্লাইটশিংসু কোনশিনগনি হায়রদুনা থাংজ নুমিৎতা এক্সতা থাগৎপা পোষ্ট অমদা ৱাফম অদু লাওথোকখি।

খ্বাইদগী নৌবা মতম শাংদোকপা অসি, ওথোরিটি অদুগী মতুং ইন্না, নবেম্বর ২৪, ২০২৬কী ৪:৫৯ এ এম (লোকেল টাইম) ফাওবা চৎনগনি। অথিংবা অদু মতম শাংদোক্লবা অনৌবা নোটিশ টু এয়ারমেন (এন ও টি এ এম) অমা থোকখ্রে হায়না পি এ এ ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখ্রে হায়না জিও ন্যুজকী পাউনা হায়খি।

পাকিস্তান সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটি (পি সি এ এ)গী ২০২২দগী দোকুমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, পাকিস্তানগী এয়ারস্পেস অসি কারাচি অমসুং লাহোর হায়না ফ্লাইট ইনফোর্মেসন রিজন (এফ আই আর) অনি থোক্লা খায়দোকই। খ্বাইদগী নৌবা এন ও টি এ এম অদু কারাচি অমসুং লাহোর এফ আই আর অনিমক্তা চৎনগনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা এপ্রিল ২০২৫ পহলগাম টেরর এটেক অদুগী মতুংদগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তাননা অমনা অমগী এয়ারক্রাফতা এয়ারস্পেসকী অথিংবশিং থমখি। ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু এটেক অদুদা য়াওই হায়না মরাল শীখি, শীরিবা মরাল অদু ইস্লামাবাদনা য়াখিদে। থৌদোক অদু লৈবাক অনি অদুগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক অমসুং মিলিটরিগী উংখৎনবা য়ান্না কন্না ৱাংখৎনখিবা অমগী মতুংদা থোকখিবনি।

পাকিস্তাননা লৌখৎলকখিবা খোঙথাংগী পাউখুমদা এপ্রিল ৩০, ২০২৫তা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানি এয়ারলাইনশিংদা ইন্দিয়াগী এয়ারস্পেস থিংজিনখি।

জিও ন্যুজগী মতুং ইন্না, ১৯৯৯ কার্গিল কনফ্লিক অমসুং ২০১৯ পুলৱামা ক্রাইসিস অদু য়াওনা ৱাংনা উংখৎনখিবা মমাঙগী মতমশিংদা ইন্দিয়ান এয়ারক্রাফতা পাকিস্তাননা এয়ারস্পেসকী অথিংবশিং থমখি। এয়ারস্পেসতা মখা তানা অথিংবা অদু থম্বা মরম্না লৈবাক অনিগী মরক্তা এয়ারলাইন ওপরেসনশিংদা শোকহন্দুনা কেরিয়রশিংবু ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট খরদা হেন্না শাংবা রুটশিংদা পাইহনখি।

# সাউদি অরাবিয়ানা রিয়াধকী মথক্তা দ্রোন ৪ ইন্টরসেপ তৌখ্রে



রিয়াধ, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি): য়েমেনগী হৌথিশিংনা সাউদি অরাবিয়াদা হন্ন-হন্না এটেক তৌরকখিবদা সাউদি অরাবিয়ানা মখোয়গী কোনুং রিয়াধগী মথক্তা য়াওনা দ্রোন ৪ ইন্টরসেপ তৌখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

য়েমেনগী ইন্টরনেসনেলনা রিকগনাইজ তৌবা গভর্ণমেন্টপু ইরাননা শৌগৎপা হৌথিশিংগা থোক্লিবা সিভিল ৱারদা শৌগৎতুনা রিয়াধনা মিলিটরি কোলিসন অমা লুচিংলি।

রিয়াধ, ইষ্টর্ন প্রোভিন্স অমসুং খা থংবগী রিজনশিংদা ঐখোয়না পুং খরগী মমাঙদা দ্রোন ৪ ইন্টরসেপ তৌখ্রে অমসুং থুগাইখ্রে হায়না কোলিসন ৱাঙাংলোই টর্কি অল-মালকিনা সোসিয়েল মেদিয়া এক্সতা ইখি। হন্দক হৌথিশিংগী এটেক হেনগৎলকখিবা অদুবু পুক্লিং থৌগৎলি হায়না ইরানবু সাউদি আরাবিয়ানা মরাল শীখি অদুবু মদু টেহরাননা য়াখিদে।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর অব্বাস অরাঘচিনা থাংজ নুমিৎতা হায়খি, অরাবিয়ান পেনিনসুলাদা থোক্লিবা কনফ্লিক লোইশিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াবা তুংকোয়বা লম্বী অদু ওইনা ইরাননা কম্প্রেহেঞ্জিব পোলিটিকেল প্রোসেস অমা শৌগৎলি। নাকন অনিগী মরক্তা মেদিয়েট তৌনবা ইরাননা খূৎ লান্থোকখিবা অদুসু মহাক্লা অমুক্তা হন্না পনখি। ইরাননা খূৎ লান্থোকখিবা অদুদা রিয়াধনা পাউখুম পীরকখিদে হায়না দিপুটি ফোরেন মিনিষ্টর সায়ীদ খাতিবজাদেহনা মমাঙদা হায়খি।

হৌথিশিং অসি ইজরেল অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়োক্তা লৈবা ইরানগী এক্সিস ওফ রেজিষ্টেন্সকী শরুক্লি, অদুবু গ্রুপ অদুনা মনিং তম্না থবক তৌজে হায়না মখোয় অনিমক্লা হায়।

থাংজ নুমিৎতা হৌথি-এফিলিয়েটেদ ন্যুজ এজেন্সি অমনা সাউদি অরাবিয়াগী লানগী প্লেনশিংবু ধামার অমসুং টাইজ প্রোভিন্সশিংদা সিভিলিয়ান রেসিদেন্টশিংদা টার্গেট তৌদুনা মীওই ১২ হাৎখিবগী মরাল শীখি।

# রসিয়াদা য়ুক্রেননা দ্রোন ১,০০০ হেন্না কাপখ্রে সেন্ট পিটরসবর্গ ওইল সাইটশিং মৈ চাকখ্রে

ক্যিব, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি): ক্যিবনা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা এরিয়েল বোম্বার্দমেন্টশিংগী মনুংদগী অমদা রসিয়াদা দ্রোন ১,০০০ হেন্না কাপ্পুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ুক্রেনগী এটেকশিংনা সেন্ট পিটরসবর্গতা ওইল এক্সপোর্ট টর্মিনেল অমা মৈ চাকখ্রে।



রসিয়ান ওইল ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মথক্তা ক্যিবকী এটেকশিংগীদমক মখোয়বু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা লোয়ননা য়ুক্রেন অমসুং ৱাসিংটনগী মরক্তা উংখৎনবা হেনখিবা তাল্লক্তা এটেক অদু চত্থখিবনি।

সেন্ট পিটরসবর্গ ওইল টার্মিনেল অমসুং সিটি অদুগী রুচি ওইল দিপো অনিমক্তা মৈ চাকহনখিবা এটেক অদুদা মীওই ১ শিখি অমসুং মীওই ৫ হেন্না শোকখি হায়না মফমদুগী গভর্ণর আলেকজেন্দর বেগলোবনা হায়খি।

রসিয়ান রিটেলর ওজোনগী লোজিষ্টিক্স সেন্টর অমা অমসুং টেক্নিকেলগী অচৌবা কেম্পেনি ভিকেগী দাটা সেন্টর অমসু টার্গেট তৌখি হায়না কম্পেনি অনিমক অদুনা হায়খি।

রসিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা মখোয়গী ফোর্সশিংনা রসিয়ান রিজন ১৫ হেনবদা, লোয়ননা ক্রিমিয়া অমসুং ব্লেক সিদা য়ুক্রেনিয়ান দ্রোন ১০১৫ থুগাইখ্রে হায়খি।

মোস্কোগী লান থিংনবা ক্যিবনা হোৎনরি, অদুবু থৌদোকশিং অসিগী চত্থরক্লিবা পরিং অসি য়ুক্রেননা হোঙদোকপা ঙম্লোই হায়না ক্রেমলিন ৱাঙাংলোই দমিট্রি পেসকোপনা রসিয়ান ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি টাসতা হায়খি।

অমরোমদা রসিয়ানা খা থংবা য়ুক্রেনিয়ান সিটি জাপোরিঝিয়াদা চত্থখিবা এটেক অনিদা নুপী অমা শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা চহী ৬কী অঙাং নুপীমচা অমা য়াওনা মীওই ২ শোকখ্রে হায়না লোকেল ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

এটেক অদুদা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং ২, কার ১৮ অমসুং এদুকেসনেল ইনষ্টিট্যুসন অমা শোকখ্রে হায়না জাপোরিঝিয়া রিজনেল মিলিটরি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক মিখায়লো সেমিকিননা হায়খি।

চহী মরিমখায় শুরবা লান অসিদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা ইনর্জি সিজফয়ার অমা য়ান্নখ্রে হায়না ওক্টোবর ১১দা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লাউথোকখি, অদুবু মদুগী মতাংদা মরিকচুম্বশিং পীখিদে অমসুং মাগী ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুংদা ইনর্জি সাইটশিংদা মোস্কোনা এটেক তৌরকই হায়না ক্যিবনা হায়খি।

# ইরানগী অনৌবা দিফেন্স মিনিষ্টরনা য়ু এসতা অমসুং মিদ্দল ইষ্টতা মখোয়গী এলাইশিংদা শাথিনা শোকহনগনি ৱার্নিং তৌখ্রে

টেহরান, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইজরেলনা লান্দারকখিবা অহানবা নুমিৎতা হাৎখিবা ইরানগী দিফেন্স মিনিষ্টর অদুগী মহুৎ শিল্লদুনা মেহরাদাদ অখ্লাঘিবু ইরানিয়ান লোমেকরশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈবাকসিগী অনৌবা দিফেন্স মিনিষ্টর ওইনা এপ্রুব তৌখ্রে।



মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স এন্দ আর্ম ফোর্সেস লোজিষ্টিকেলগীদমক নোমিনি ওইরিবা মেহরাদাদ অখলাঘিদা ইস্লামিক কন্সলটেটিব এসেম্ব্লি (পার্লিয়ামেন্ট)কী মেম্বরশিংনা ঙসি ভোট ওফ কনফিদেন্স অমা পীখ্রে হায়না ষ্টেট টেলিভিজননা হায়খি।

গভর্ণমেন্ট ৱেবসাইটকী মতুং ইন্না, থাদনখিবা অপূনবা ভোট ২৭৭গী মনুংদা ভোট ২৩৭ ফংদুনা অখ্লাঘি ফম অদুদা ইলেক্ট তৌখ্রে।

নৌনা হাপখ্রবা ইরানগী দিফেন্স মিনিষ্টর অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং মিদ্দল ইষ্টতা মখোয়গী এলাইশিংগী মথক্তা খ্বাইদগী চাওবা মওংদা শোকহনগনি হায়না ঙসি ৱার্নিং তৌখ্রে। মখোয়না ঐখোয়দা এটেক তৌরক্তবা য়াই হায়বসি মীয়ামদা ঐহাক্লা থাজবপীরি। অদুবু করিগুম্বা মখোয় (য়ু এস)না মদু তৌরকপা তারবদি মখোয় মশামক অমসুং রিজন অসি শাথিনা অশোক অপন নংগনি হায়না পার্লিয়ামেন্টকী ভোট ওফ কনফিদেন্স ফংলবা তুংদা অখ্লাঘিনা পাউমীশিংদা হায়খি।

ভেটরান দিফেন্স ওফিসিয়েল অসিনা ফেব্রুৱারি ২৮দা লিদরসিপ কম্পাউন্দ অমদা য়ু এস অমসুং ইজরেলনা চত্থরকপা এটেকতা হান্নগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লাহ আলি খামেনৈ অমসুং সেনিয়ার মিলিটরি কম্মান্দরশিংগা লোয়ননা শিখিবা অজিজ নাসিজ জাদেহগী মহুৎ শিনখ্রে।

মহাক্লা মিলিটরি রেঙ্ক অমা পায়রমদ্রবসু অখ্লাঘিনা চহী ৪২ দিফেন্স মিনির্ষ্ট্রিদা থবক তৌরকখ্রে অমসুং ২০১৩দগী হৌনা ইরানগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিজ ওর্গেনাইজেসন, লৈবাক অদুগী ৱিপন্স মেনুফেকচরর অদুগী মকোক ওইখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ন্যুক্লিয়ার নৎত্রগা বালিষ্টিক মিসাইল এক্টিভিটিজদা মহাক চেন্নবগী মরমগীদমক অখ্লাঘিবু ২০০৭দা সেঙ্কসন তৌখি।

# য়ু এসতা ফুটবোল গেমদা ট্রক থৌজিল্লকপদা ২ শিখ্রে



ৱাসিংটন, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি): কন্সাসতা গেম অমা চত্থরিঙৈ মনুংদা নুপী অমনা সোক্কর ফিল্ড অমদা ট্রক অমা থাংজ নুমিৎতা থৌজিল্লকখিবদা মীওই ২ শিখ্রে অমসুং অশোকপা ১১ হোস্পিটালদা থাখ্রে হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী ৬ শুরবা নুপা মচা অমা অমসুং চহী ৩৫ শুরবা নুপা অমা শিখ্রে হায়না ৱিচিতা পুলিস কেপ্টেন আরোন মোজেসনা হায়খি।

শোকখিবা মীওইশিং অদুগী চহীশিং অদু চহী ৫দগী ৬৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনি। মশাগী চহী ৩৪ শুরবী নুপী দ্রাইভর অদু কষ্টদিদা লৈখ্রে হায়না মোজেসনা হায়খি।

মদু অতন্ননা চত্থরকপা ওইগনি থাজদে হায়না মহাক্লা হায়খি।

মদু মতৌ করন্না থোকখিবনো হায়বদু খঙনবা ঐখোয়না হৌজিক থবক চত্থরি। অঙাং অনি অদুসু ট্রক অদুগী মনুংদা তোংলকখিবনি হায়না মোজেজনা হায়খি।

থৌদোক অদুগী মতুং খুদক্তা অমসুং মফম অদুদা ফার্ষ্ট রেস্পোন্দরশিংনা থুংলদ্রিঙৈগী মমাঙদা শোক্লবশিং অদুদা পুন্সি কন্নবা তেংবাং পীনবা মীয়ান্না হোৎনখি হায়না পুলিস চীফ জো সুলিভানা হায়খি।

মদু য়ান্না শেংনা অঙকপনি। ইনভেষ্টিগেসন মনুংদা মফম অদুদা চংদনবা মেয়র লিলি ৱুনা মীয়ামদা পাউতাক পীখ্রে অমসুং পাউ অসি থম্মোয় কায়নিংঙাইনি হায়খি।

শোক্লবা মীওই খুদিংমক, মরুওইনা অঙাংশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিংগীদমক ঐনা লেপ্পি অমসুং মখোয়গীদমক লাই খুরুম্নি হায়না ফেসবুককী খুৎথাংদা মহাক্লা হায়খি।

# য়েমেন ঙমখৈ মনাক্তা টেক্নিকেলগী অশোয়বা অমদগী হেলিকোপ্টর ক্রাসতা পাইলোট ২ শিখ্রে



রিয়াধ, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি): ইরাননা ঙাক্লৌপীবা হৌথিজনা হেলিকোপ্টর অমা কাপথখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং য়েমেনগী ঙমখৈ মনাক্তা সাউদিনা লুচিংবা হৌথিশিংগী মায়োক্তা থেংনরিবা কোলিসনগী হেলিকোপ্টর ক্রাস তৌবদা পাইলোট ২ শিখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা কোলিসন অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

জুলাইদা হৌথিশিংগা মতম শাংনদগী থোক্লকপা লান অমুক হন্না নৌহৌনা শোক্লরকখিবা মতুংদগী কোলিসনগী অহানবা মলিটরিদা খুদোঙথিবা থোকখিবা অদু টেক্নিকেলগী অশোয়বা অমদগীনি হায়খি।

ইরাননা ঙাক্লৌপীবা গ্রুপ অদুনা চহী ১০ হেনবগী মনুংদা সাউদি অরাবিয়াদা খ্বাইদগী মীশি মীনা থোকপা এটেকতা রিয়াধগী ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতা মীওই ১৬ শিখিবা এটেক অদুগী চয়োল অমগী মতুং থৌদোক অসি থোকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনেল গার্দকী এ ঐচ -৬ আই রিকন্নাইসেন্স হেলিকোপ্টর ১ টেক্নিকেলগী অশোয়বা অমগী মরমদগী নাজরন রিজনগী সাউদি টেরিটোরি মনুংদা ক্রাস তৌখ্রে হায়না কোলিসনগী ৱাঙাংলোই টর্কি অল-মালকিনা হায়খি।

এক্সিদেন্ট অদুদা ওফিসার ২ য়াওবা এয়ার ক্রু অনি শিখ্রে। থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা হৌথি ৱাঙাংলোই য়াহিয়া সারিন্না হায়রিবা মফম অদুমক্তদা য়েক্লবা সাউদিগী অপাচি হেলিকোপ্টর অমা মখোয়না কাপথখ্রে হায়খি।

চহী ৪গী মরা চেৎতবা সিজফয়ার অমগী মতুং য়েমেনগী লান অদু অমুক হৌরকখ্রে অমসুং হৌথিবা থাদা রেদ সি তোর্ব্বান পরিংদা লৈবা মরুওইবা টেরিটোরি অদু হৌথিজনা পায়শিন্দুনা লান হেন্না কনখৎলকখ্রে।

হৌথিশিংনা রেদ সিদা টেঙ্করশিং, ওইল ফেসিলটিশিং অমসুং রিয়াধগী কিং খালিদ ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট য়াওনা সাউদি টার্গেটশিংদা এটেক তৌখি। ইন্টরনেসনেলনা রিকগনাইজ তৌবা গভর্ণমেন্টনা ঙাক্লৌ পীবা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসননা হৌথি টেরিটোরিগী মথক্তা নোংথক্তগী হন্ন-হন্না রেইদ চত্থখি।


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DISTRICT HANDLOOMS & TEXTILES
## IMPHAL EAST

### NOTICE

*Imphal, the 16th October, 2026*

**No. 9/Exhibition/DHT-IE/2018:** Applications are invited from the interested handloom weavers, handicrafts artisans, agencies including Co-operative societies. Producer Companies. SHGs, JLGs. Corporations, Apex Societies etc. indicating names, address, aadhar number, weaver/ artisan card No., bank account number with IFSC, contact number etc for participation in the **"Mera Houchongba Festive Fair"** to be organized by the District Handlooms & Textiles, Imphal East, Manipur as given below.

| Sl | Name of Expo | Venue | Event Date |
|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) |
| 1 | "Mera Houchongba Festive Fair" | Iboyaima Sumang Leela Shanglen, Imphal East | 24. 10. 2026 to 30. 10. 2026 |

**2.0:** Handloom stalls will be allotted to handloom agencies which are in possession of or applied for Handloom Mark/ India Handloom Brand registration.

**3.0:** Last date for submission of application is **21st October, 2026 (Wednesday).** No further request shall be entertained after the last date in any case. Selection shall be conducted on **22.10.2026 at 11.00 A.M.** at District Handlooms & Textiles, Imphal East.

Applicants may submit their applications to the **Project Manager (HL), District Handlooms & Textiles offices, Imphal East, Porompat** during office hours.

**Sd/-**
**(Phijam Kangjamba Meitei)**
Project Manager (HL)
District Handlooms & Textiles,
Imphal East

SL/DIPR/19



SL/Bablu/RP

## NAME CHANGED

Date: 16 October 2026

I, M. Memi Devi, wife of No. 7241242H, Rank: Havildar (Retd), Name: Chingakham Bijoy Singh, RO: RO RVC Meerut, a resident of Uripok Bachaspati Leikai P.O. & P.S. Lamphel District: Imphal West, State: Manipur-795004, have changed my name & DOB from M. Memi & 01-JUN-1976 to Chingakham Memi Devi & 27-MAY-1979 for all future purposes vide affidavit dated 16/10/2026 before the Oath Commissioner, Imphal West, Manipur

**Sd/-**
Deponent


### ক্রোসৱার্দ ১১৭১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | M | I | L | E | ■ | I | R | A | S | ■ | G | E | M | S |
| A | A | R | O | N | ■ | L | E | N | O | ■ | A | V | O | W |
| S | M | A | R | T | ■ | L | E | G | I | S | L | A | T | E |
| S | A | N | D | R | A | ■ | S | E | L | L | ■ | D | O | E |
| ■ | ■ | ■ | ■ | E | M | B | E | R | ■ | A | L | E | R | T |
| O | A | T | M | E | A | L | ■ | S | I | T | E | ■ | ■ | ■ |
| A | R | E | A | ■ | L | U | G | ■ | R | E | A | P | E | R |
| K | I | L | N | ■ | G | R | A | D | E | ■ | R | O | V | E |
| S | A | L | I | V | A | ■ | P | A | L | ■ | N | E | E | D |
| ■ | ■ | ■ | L | I | M | E | ■ | M | A | E | S | T | R | O |
| C | L | E | A | R | ■ | A | M | E | N | D | ■ | ■ | ■ | ■ |
| H | A | M | ■ | A | L | S | O | ■ | D | I | L | A | T | E |
| E | S | C | A | L | A | T | O | R | ■ | S | O | L | A | R |
| S | E | E | R | ■ | N | E | R | O | ■ | O | P | E | R | A |
| T | R | E | K | ■ | D | R | E | W | ■ | N | E | S | T | S |

